## শাথিবা চৈথেং নংগনি

জেরুসলেম, জন্যুৱারি ০৮ (এজেন্সি) :
ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হায়খ্রে মদুদি, মহাক্কী লৈবাক্তা এটেক তৌরকপা খুদিংমক্কী মায়োক্তা ইজরেলনা অকনবা মওংদা খুৎ হন্দুনা চৈথেং চাওনা নংহনগনি। ইরাক্তা লৈবা য়ু এসনা লুচিংবা ফোর্সশিংদা ইরান্না মিসাইল ষ্ট্রাইক চথখিবা মতুংদা নেটনয়াহুনা চেকশিন ৱা অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পপু ইরানগী মিলিটরি কম্মান্দর কসিম সোলৈমানি হাৎখিবগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## বোইংদা পীরোই

দুবাই, জন্যুৱারি ০৮ (এজেন্সি) :
কায়খ্রবা য়ুক্রেন নিয়ন এয়রলাইনরগী ব্লেক বোক্স ইরান্না য়ু এসকী প্লেনমেকর বোইংদা পীরোই হায়না টেহরানগী সিভিল এভিয়েসন ওর্গনাইজেসনগী মকোক্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। ইরান্না করম্বা লৈবাক্তা থারগা ব্লেক বোক্কী দেতা এনালাইসিস তৌহনগদগে হায়বসি চপ চানা লেপত্রি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# ‘য়ু এসকী ওইনদি মিসাইল ষ্ট্রাইক মাইদা খুৎপাক্লা থাবনি’



দুবাই, জন্যুৱারি ০৮ (এজেন্সি) :
য়ু এসনা দ্রোন ষ্ট্রাইক চথদুনা ইরানগী কম্মান্দর অমা হাৎখিবগী লমন খুন্বা ওইনা ইরান্না ইরাক্তা লৈবা য়ু এসকী টার্গেটশিংদা চথখিবা মিসাইল এটেকশিং য়ু এসকী ওইনদি মাইদা খুৎপাক্লা থাবগা মান্নে হায়না ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াতোলা অলি খামেনৈনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে অমসুং য়ু এস ফোর্সশিং হৌজিক মিদল ইষ্টতগী ৱিথদ্রো তৌগদবনি হায়খ্রে।

অমেরিকাগী মাইদা খুৎপাক্লা থাবগী থৌদৌ অমা চথখ্রে। তৌইগুম্বসুং মরু ওইরিবদি মিদল ইষ্টতা লৈরিবা য়ু এস ফোর্সশিং লমদম অসি থাদোক্কুনা চৎখিবা অসিনি হায়না প্রেস টিভিনা খামেনৈগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

নেসনল টিলিভিজন্দা লাইফ ব্রোদকাষ্ট তৌদুনা ৱা ঙাঙখিবা খামেনৈনা হায়খি মদুদি, মালেমগী পৱারশিংনা অকন-অরিং শীংবগী থৌওংশিং চথরকপা থেংন্নবগীদমক্তা ইরানগীসু খুৎশু-খুৎলায় মতিক চানা লৈজে।

সেমি-ওফিসল ফার্স ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা ইস্লামিক রিভোল্যুসন গার্দস কোর (আই আর জি সী)না সিরিয়াগী বোর্দরগা নক্লনবা ইরাক্কী এইন-অসাদ বেজ অমসুং ইর্বিলদা লৈবা য়ু এসনা ওপরেট তৌবা এয়র বেজ অমদা বলিষ্টিক মিসাইল কয়া কাপশিন্দুনা এটেক তৌখি।

এইন অল-অসাদ অসি ইরাক্তা লৈবা য়ু এসকী মরু ওইবা অমসুং খ্বাইদগী চাওবা এয়র বেজনি। এটেকশিং অদুদা বেজ অনীমক্তা লৈরিবা ইরাক্কী আর্মিগী মীওই অমত্তা মীশি-মীনা থোকখিদে হায়না বাঘদাদনা ফোঙদোকখি।

এটেক অদুগী মতুংদা য়ু এস আর্মিনা ইরাক্কি আর্মি য়াওনা এইন অল-অসাদতা কনামত্তা চঙহনখিদ্রে। ইরানগী সুপ্রিল লিদর খামেনৈনা কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লয়র দিলগী মতাংদা ৱাশিংটনদা মখা তানা ৱারী শান্নবগী ৱাফম লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে। পনবা য়াবদি, টেহরান অমসুং মালেমগী পৱারশিংনা য়ানখিবা পেক্ট অদুদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কুমজা ২০১৮ দা ৱিথদ্রো তৌদুনা ইরানগী মথক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া থমজিনখিবনি।

# য়ুহা হাবদগী প্যুর্তো রিকোদা ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে



সান জুৱান, জন্যুৱারী ০৮ (এজেন্সি) :
প্যুর্তো রিকোদা পরিং নাইনা য়ুহা হাবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা বিল্ডিং কয়া অমাঙ-অতা থোক্তুনা অমদি মফম পুম্নমক্তা মৈ পীবা লেপহনখিবদগী ইথৎ অসিগী গভর্নর ৱান্দা ভজ কেজনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে।

য়ু এসকী টেরটরি অদুদা থোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অদু মেগ্নিট্যুদ ৬.৪ য়ৌখি অমসুং চহী ১০২ গী মনুংদা করিবিয়ন ইথৎ অদুদা থোকপা খ্বাইদগী মতিক ময়াই কল্লবা য়ুহা হায়বগী থৌদোক্নি হায়রি।

অচৌবা পৱার প্লান্ট অনী থিংজিনবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা কষ্টমর ৩০০,০০০ দা ঈশিং পীবগী থবক লেপ্লে হায়না ভাজকেজনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না প্যুর্তো রিকোগী স্কুলশিং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থোঙ লোনগনি অমসুং হেল্থ ৱর্করশিং, পুলিস নত্তনা পব্লিক ইমপ্লোয়ীশিং য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈগনি। অমরোমদা, বিল্ডিংশিংগী ষ্ট্রকচরদা মখা তানা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা চেক তৌবগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মীশি-মীনা অমসুং অমাঙ-অতা থোকখিবগী অকুপ্পা মরোলশিং পন্দবিদা মীওই কয়া শিবা নাবা য়াওরে। মীওই কয়া লন-থুম মখে ফংনা মাঙনবা য়াওরে হায়না মহাক্না মখা তাখি। ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না অয়াম্বনা ইথৎ অদুগী খা থংবা শরুক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৪৬ ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে।

# লিবিয়াগী য়েংথিনবা ফোর্স মশেল খুৎ থোক্লখ্রে



বেনঘাজি, জন্যুৱারী ০৮ (এজেন্সি) :
ইষ্ট লিবিয়াদা বেজ তৌবা ফোর্সশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সির্টে সিটিগী নোংচুপ্পোমদা লৈবা সমুদ্র খোংবানগী লম্বী অমদা এয়র ষ্ট্রাইক কয়া চথখ্রে।

এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদু য়েংথিন্নরিবা ফোর্সশিংনা মান্নবা ষ্ট্রাইক অমা পাঙথোক্তুনা ইষ্ট ইষ্টর্ন ফোর্সেসকী মীওই ৯ হাৎখিবা মতুং নোংমখক কান্নরগা পাঙথোকখিবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা লিবিয়ান নেসনল আর্মি (এল এন এ)না খুৎলৈ থুনা চঙশিন্দুনা লিবিয়াগী মেদিটরিনিয়ন সমুদ্র খোংবানগী সেন্টরদা লৈবা ষ্ট্রেটেজিক্কী মীৎয়েংদা মরু ওইবা সিটি অমা ওইরিবা সির্টে কন্ট্রোল তৌশিনখিবগা লোয়ননা মখোয়গী ফিভম হেন্না চেৎশিনহন্নবা হোৎনরকখিবনি।

হৌখিবা এপ্রিলদগী এল এন এনা সির্টেগী অৱাং নোংচুপ্পোমদা কিলোমিটর ৩৭৩ রোম লাপ্পা লৈবা কেপিটেল ত্রিপোলি লৌশিন্নবগী কেম্পেয়ন অমসু চথদুনা লাক্লিবনি। ত্রিপোলিদা এল এন এনা মালেম্না শকখঙবা গভর্নমেন্ট ওফ নেসনল একোর্দ (জি এন এ)গা মীচং ওইনবা ফোর্সশিংগা লান শোক্লরিবনি। জি এন এগী ফোর্সশিংগী মায়কৈদগী মখোয় হাৎন-শুনবগী থৌওং থোকহন্দনবগীদমক্তা সির্টেদগী হন্দোক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

এল এন এগী ফোর্সশিং অদু মরু ওইনা ত্রিপোলিদগী নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ১৯০ রোম লাপ্পা লৈবা মিস্রতা হিথাংফমদগী লাকখিবনি। কুমজা ২০১৬ গী অথেংবা শরুক্তা মখোয়না সির্টেদগী ইস্লামিক ষ্টেট তকথোকখ্রবা মতুংদা পোর্ট সিটি অসি কন্ট্রোল তৌরকখিবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিলদা সির্টে অমসুং মিশ্রতাগী মরক্তা লৈবা লম্বীদা লৈবা অল-ৱাস্কাগী অকোয়বদা নাকল অনীগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লখি। ক্লাশ অদুদা নুমিদাংগী মতমদা দ্রোন ষ্ট্রাইক্না মরম ওইদুনা মখোয়গী মীওই ৯ শিখ্রে হায়না এল এন এগী সোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

এল এন এগী মিলিটরি ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা এল এন এনা অল-ৱাস্কাগা নক্লনা লৈবা অবু চেকপোইন্ট মনাক্তা এয়র ষ্ট্রাইক চথখি। লিবিয়া অসি কুমজা ২০১৪ দগী অমগা অমগা য়েংথিনবা কেম্প অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা লাকখিবনি।

তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিং লৈজবা কেম্পশিং অদু অমনা কেপিটেল ত্রিপোলিদা বেজ তৌই অদুগা অতোপ্পা অমদুনা লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা বেজ তৌই।

ইষ্টর্ন বেজ কম্মান্দর হাফটরনা ত্রিপোলিগী মায়োক্তা চথরকখিবা ওফেন্সিপনা নাকল অনীগী মরক্তা পোলিটিকেল সেট্টলমেন্ট অমা পুরক্লবা য়ু এন্না হোৎনরিবা পুম্নমক অরেম্বা তাহন্দুনা লাকখি। কুমজা ২০১১ দা ষ্ট্রোংমেন মুৱামর গদ্দাফিগী মতম শাংলক্লবা লৈঙাক থুপচিনখ্রবা লিবিয়াগী রাইবেল গ্রুপশিংগী মরক্তা শোক্লরিবা লান অদুনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা ওপেক মেম্বর অসিগী থাউ পুথোকপগী থবক্তা চাওনা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদগী মাইগ্রেন্ট কয়া য়ুরোপতা লোন্না পুশিনবা অমদি ইস্লামিক এক্সট্রিমিষ্টশিং মথি ফোংলক্লবগী ফিভম অমা লাকহনখি।

# ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ু এস, ইরানদা পুক্নিং ফাথনবা তকশিনখ্রে

বাঘদাদ, জন্যুৱারী ০৮ (এজেন্সি) :
ইরাক্কী ক্যেরটেকর প্রাইম মিনিষ্টর অদেল অব্দুল মহাদিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ু এস অমসুং ইরানদা য়ারিমখৈ পুক্নিং ফাথনবা অমসুং ইরাক্কি ষ্টেট ইকাই খুম্নবা আপিল তৌখ্রে।

ইরান্না ইরাক্তা লৈবা য়ু এস ফোর্সশিং থল্লিবা মিলিটরি বেজশিংদা মিসাইল এটেক চথখিবা মতুংদা ইরাক্কী ক্যেরটেকর প্রাইম মিনিষ্টরনা আপিল অসি তৌখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা অদেল মহাদিনা হায়খি মদুদি, ইরান্না লৈবাক অসিগী সোভরেন্টি খোঙ্গাওনবা অমদি লৈবাক অসিগী লমশিংদা অকন-অরিং শীংলকপগী থৌওং খুদিংমক য়ানিংদে অমদি গভর্নমেন্টনা মখা তানা লমদম অদুদা অমগা অমগা হেন্না য়েংথিনবগী ফিভম লাকহন্দনবা হোৎনরি। পার্টি খুদিংমক্না ইরাক্কী সোভরেন্টি ইকাই খুম্নগদবনি অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খুদোংথিবা নংহল্লোইদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মিসাইল এটেকশিং অদুগী মাঙওইননা ইরান্না মঙোন্দা পাউ পীরক্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, এটেকশিং অদু য়ু এস ফোর্সশিংদা টার্গেট তৌগনি হায়না খঙহল্লকখি। তৌইগুম্বসুং টার্গেট তৌরিবা বেজশিং অদুগী মফমশিংগী অকুপ্পদি মঙোন্দা পল্লকখিদে।

ইরান্না য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা ইরাক্কী ৱেষ্টর্ন প্রোভিন্স অনবরদা লৈবা য়ু এস ট্রুপশিং থল্লিবা মিলিটরি বেজ অমদি সেমি-ওতোনমস রিজন কুর্দিষ্টানগী কেপিটেল ঈর্বিল সিটি মনাক্তা লৈবা বেজদা বলিষ্টিক মিসাইল কয়া কাপশিনদুনা এটেক তৌখিবা মতুংদা অব্দুল মহাদিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।



হৌখিবা চয়োলদা বাঘদাদ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা য়ু এসনা কনভোই অমদা দ্রোন ষ্ট্রাইক চথদুনা ইরানগী ইস্লামিক রিভোল্যুসন গার্দস কোরগী কুদস ফোর্সকী কম্মান্দর কসিম সোলৈমানি অমসুং ইরাক্কী পেরা মিলিটরি হসদ বিবি ফোর্সেসকী দেপ্যুটি চীফ হাৎখিবা মতুংদা ইরাননা ইরাক্তা লৈবা য়ু এস ফোর্সশিং থল্লিবা মিলিটরি বেজশিংদা বলিষ্টিক মিসাইলশিং শীজিন্নদুনা এটেক তৌখিবনি।

ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা চঙশিনবা লাঞ্জংদা ইরাক্কি ফোর্সশিং শৌগৎনবগীদমক্তা য়ু এস ট্রুপ ৫০০০ হেন্না ইরাক্তা লৈরিবনি।

# উংখৎনবা হেনগৎলকপদগী ফিলিপিন্সনা মিদল ইষ্টতগী শিন্মীশিং লৌথোক্লবা শেম শাখ্রে

মানিলা, জন্যুৱারি ০৮ (এজেন্সি) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানগী মিলিটরি কম্মান্দর অমা হাৎখিবা মতুংদা উংখৎনবা ফিভম লাকপনা মরম ওইদুনা মিদল ইষ্টতা থবক শুরিবা ফিলিপিন্স লিশিং কয়া লমদম অসিদগী লৌথোক্লবা ফিলিপিন্সনা শেম শারি হায়রি।

ফিলিপিন্স মীওই মিলিয়ন ২.৩ রোম মিদিল ইষ্টতা দোমেষ্টিক হেল্পরশিং, কন্সট্রক্সন ৱর্করশিং, এঞ্জিনিয়ারশিং অমসুং নর্সশিং ওইনা থবক তৌরিবনি। প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দুটর্টেনা আর্মদ ফোর্সেসতা ইরাক, ইরান অমসুং অকোয়বা অরাব লৈবাকশিংদা লৈরিবা ফিলিপিনোশিং লৌথোক্লবা এয়রফোর্স এয়র অমসুং নেভেল এসেটশিংবু শেম শান্নবা ওর্দর তৌখ্রে হায়না মহাক্কী স্পোক্সমেন সলভাদোর পানেলোনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।



গল্ফতা মতম শাংনা চথগদবা লান অমা থোরকপা য়াবগী মীপাইবা লৈ হায়না পল্লদুনা দুটর্টেনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, ফিলিপিনোশিংনা গল্ফতগী হন্নবা হোৎনরকপা মতমদা মখোয়দা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনা চৎহনগনি হায়বগী থাজবা লৌননবা মহাক্না অখন্নবা এনভোই অমা টেহরান অমসুং বাঘদাদতা থাখ্রে।

মরু ওইনা মিদল ইষ্টতা ফিলিপিনো মশিং য়াম্না থবক ইনখাং শুদুনা লৈরি। লমদম অদুগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা ঐঙোন্দা অৱাবা অমা ওইরে। ইরান্না লমন খুমগনি হায়রিবসি শোয়দনা পাঙথোরক্কনি হায়বগী থাজব লৈ হায়না দুটর্টেনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ‘ভিজাগী মতাংদা য়ু এননা য়ু এসকা পাউ ফাওনরি’

য়ুনাইটেদ নেসন্স, জন্যুৱারি ০৮ (এজেন্সি) :
মেম্বর ষ্টেট খরনা থাঙ্গৎলকখিবা ভিজাগা মরী লৈনবা ইশ্যুশিংগী মতাংদা য়ু এননা য়ু এস গভর্নমেন্টকা কন্না পাউ ফওনদুনা লৈ হায়না ৱার্ল্ড বোদি অসিগী স্পোক্সমেন্না ফোঙদোকখ্রে।



সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মোহমদ জবদ জারিফনা চয়োল অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফমদা শরুক য়ানবা য়ু এসকী ভিজা ফংখিদবগী মতাংদা হংবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেলগী স্পোক্সমেন ষ্টেফান দুজারিক্কা হোষ্ট কন্ট্রি এগ্রীমেন্ট শোয়দনা ঙাক্কদবনি হায়বা য়ু এনগী ফিরেপ নৌহৌননা চেকশিন্না পনখি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা অসিগুম্বা কেস কয়া লাকখিবা মতমদা ঐখোয়না ৱাফম অসি হঞ্জিন হঞ্জিন্না ময়েক শেংনা থমখ্রে হায়না দুজারিক্না ফোঙদোকখি।

ন্যু য়োর্কতা হেদ ক্বাটর ওইবা য়ু এন অসি মালেমগী ওইবা মফম অমনি হায়না লৌনরবসু য়ু এসকী মপান্দগী লাক্কদবা দিলিগেটশিংনা বোদি অসিগী মীফমশিংদা শরুক য়ানবা তৌবদা অমেরিকান ভিজা পায়বগী তঙাইফদবা লৈরিবনি।

কুমজা ১৯৪৭ কী হেদ ক্বার্টরস এগ্রীমেন্টকী মখাদা য়ু এসনা য়ু এনগা মরী লৈনবা বিজিনেসতা ফোরেন দিপ্লোমেটশিং লৈবাক অসিদা চঙবা য়াহনগদবনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা জরিফকী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা মতম খুয়ৌনবনা মরম ওইদুনা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টরদা ৱাশিংটন্না ভিজা পীবা ঙম্লরোই হায়না য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেলদা খঙহনখ্রে।

সেক্রেটরি-জেনরেল অমসুং পোম্পিওনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ৱারী শানখি অমসুং ইশ্যু কয়াগী মতাংদা খন্নখি হায়বা রিপোর্টশিং দুজরিক্না কনফার্ম তৌখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না অতৈ অতোপ্পশিংদি ফোঙদোকখিদে।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদুদা অহোংবা লাক্তবা তারবদি য়ু এন্না ইশ্যু অদু য়ু এসতা পুখৎকদ্রা হায়না হংবদা দুজারিক্না হায়খি মদুদি, হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়না য়ু এসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ষ্টেটকা তত্তনা পাউ ফাওনরি। মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না জরিফনা দিসেম্বর ২০ দা ভিজা এপ্লাই তৌখি। মদু য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোক্কদবা ৱা ঙাঙনবা ইনভাইট তৌখিবা মতুং নোংমখক খন্নরগনি।

# ৱিদোদোনা চাইনাগা য়েৎনরিবা ঈশিংদা লৈবা ইথৎ য়েংশিনখ্রে



জর্কাতা, জন্যুৱারী ০৮ (এজেন্সি) :
ইন্দোনেসিয়া অমসুং চাইনাগী ভেসেলশিংগী মরক্তা মুক্লদুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা ইন্দোনেসিয়াগী সোভরেন্টি উৎনবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চাইনাগা য়েৎনরিবা ঈশিংদা লৈবা ইথৎ অমদা চত্তুনা মফম অদুগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

হৌখিবা দিসেম্বরগী ময়াই চনবা শরুক্তা চাইনিজ কোষ্ট গার্দ ভেসেল অমা অমসুং ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হি খরা ইন্দোনিসিয়াগী এক্সক্লুসিভ ইকনমিক জোনদা চঙশিনখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা মুক্লবা হৌখিবনি।

অৱাং থংবা নাতুনা ইথৎশিংগী সমুদ্র খোংবানগা নক্লবা এক্সক্লুসিভ ইকনমিক জোনদা চাইনিজ ভেসেল অমসুং ঙামীশিংগী হিশিং চঙশিল্লকখিবদুদা জর্কাতানা বৈজিংগী এম্বেসেদর কৌখত্তুনা থৌওং অদুবু প্রোটেষ্ট তৌখি।

নাতুনা বেসর ইথৎতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ৱিদোদোনা হায়খি মদুদি, য়েৎনরিবা ঈশিংগী মফম অদু শুপ্নগী ইন্দোনেসিয়াগীনি। মফম অদু অতৈ কনামত্তগী নত্তে। মফম অসিদা ঐখোয়গী দিষ্ট্রিক্ট ১, রেজেন ১ অমসুং গভর্নর ১ লৈ। ইন্দোনিসিয়াগী সোভরেন্টিগী মতাংদা য়েৎনবগী ফিভম অমত্তা লৈরকখিদে। নাতুনা অসি মতম পুম্নমক্তা ইন্দোনেসিয়াগী ওইদুনা লাক্লি অমসুং মখা তানা লৈবাক অসিগী শরুক ওইনা লৈগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱিদোদোনা ইথৎ অদুদা ঙামীশিংগসু উনদুনা ৱারী শানখি। চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইন্দোনেসিয়ানা মফম অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিংগী মফমশিং জহাজশিং অমসুং ফাইটর জেটশিং থাজিন্দুনা পেট্রোলিং চথহল্লকখিবনি।

# অফঘানিষ্টানদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী থবক খুমাং চাওশিল্লগনি হায়না টালিবানগী হান্নগী মেম্বরশিংনা থাজরি

কাবুল, জন্যুৱারী ০৮ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানদা হাৎন-শুনবা হন্থহন্নবা তৌবা অমসুং য়ু এসকা পিছ টোক মখা চথবা হৌবগী মতাংদা টালিবান্না য়াম্না থুনা ৱারেপ অমা লৌরগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী হান্নগী মেম্বর অনীনা ফোঙদোকখ্রে।

টালিবান মিলিটরি কাউন্সিলনা হাৎন-শুনবা হন্থহন্নবগী ৱাফম য়ানখ্রে। মখোয়না গ্রুপ অসিগী ঈমিরগী খুৎয়েক ঙাইরি হায়না হান্নগী মেম্বর মৌলৱি অব্দুল সাকুর মুতামেননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা টোলো ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

অনীশুবা মেম্বর হান্নগী কম্মান্দর সয়েদ অকবর অঘানসু ন্যুজ পোর্টেল অসিদা হায়খি মদুদি, সীজফায়র পুরক্লবা মায়কৈ কয়াদগী তৌরকখিবা আপিলগী পাউখুম ওইনা টালিবান্না হাৎন-শুনবগী ইরাং হন্থহনবগী ৱাফম খন্নবা হায়বসি য়ারে। মখোয়না ৱাফম অসিদা য়াবগা লোয়ননা পিছ দিলগী মতাংদা মখোয়গা য়ু এসকা খন্নরগনি।



তৌইগুম্বসুং অফঘান গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীদি দোহাদা য়ু এস-টালিবান ৱারী শান্নবদা গভর্নমেন্টকী মীহুৎশিং য়াওখিদবদগী হীরম অসিগী মতাংদা সেট্টলমেন্ট অমা পুরকপা হায়বসি লুনা থোক্কনি হায়খি।

এক্তিং ফোরেন মিনিষ্টর ইদ্রিস জমননা কটরদা ৱারী শানখিবা অদুনা অফগান গভর্নমেন্ট অমসুং টালিবানগী মরক্তা হকথেংননা ৱারী শানবা য়াবগী ফিভম লাকহনগনি হায়বগী থাজবা ঐখোয়দা লৈ হায়খি।